# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অহুমশুবা পন্দুপ : Project Formulation - 2)

**— ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা —**
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙদা প্রোজেক্ট অমা হায়বসি করিনো হায়বগী ৱাহন্থোক্তা য়াওরিবা মচাকশিং হায়বদি -

১) মাঙজৌনবা পান্দম নৎত্রগা পান্দমশিং


২) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা চঙগদবা শেল অমসুং

৩) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা থবক্তু তৌগদবা মতম

হায়বশিংসি পঞ্জখ্রে। অদুগা অহানবা মচাক হায়বদি 'মাঙজৌনবা পান্দম নৎত্রগা পান্দমশিং' হায়বসিগী মতাংদা নৈনখ্রে। হৌজিক লেমহৌরিবা মচাক অনীসিগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

**২) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা চঙগদবা শেল (Predefined Financial Involvement) :**

ঐখোয়না থবক অমা মায় পাক্না পাঙথোক্কে হায়রবদি থবক্তু তৌবদা চঙগদবা শেল অদু মাঙজৌননা খঙদোকপা তঙাইফদে। মসি হায়বদদি লায়বা অদুগা অঙ্ক ওইনা হোৎপদদি লুবা মতাং অমনি। মসিগী মরমদি মতম মতমগী মতুংইন্না চঙগদৌরিবা পোৎলমশিংগী মমল অমসুং খূৎশুমল অসি হোংবা নাই। মসিগীসু মথক্তা করি করি তৌগদবনো হায়বসিগী পাউখুমদা চিথহৌবা হেক্তা য়াওই। মরম অদুনা মতাং অসি চেকশিনবীবা য়াম্না মরু ওই। প্রোজেক্ট অমা শেম্বা কান্দদি, মতাংসি প্রোজেক্ট অদুগী Financial Feasibility Analysis হায়বা মতাংদুদা নৈনগনি। চপ চাবা শেনফম অদুমক খঙদোকপা ঙমদ্রবসু চাওরাকপা চপ চাবা শেনফমদুগা নক্লনা লৈবা (খরা তারবসু নৎত্রগা খরা হেল্লবসু) শেনফম অমদি ইশানা নৎত্রগনা প্রোজেক্ট শাবিরিবা মীওই অদুনা হোৎতোকপীগদবনি। হায়রিবা চাওরাকপা চঙগদবা শেল অসিগা, প্রোজেক্টতু পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা চঙখিবা চপ চাবা শেল অদুগা য়াম্না খেন্নরবদি, প্রোজেক্ট শারিবা মীওই অদু এক্সপর্ট অমনি হায়না লৌবা য়াদে। মরমদি অসুম্না তৌবসিনা enterprise অমনা শেন্দোং তানবদি লায়রদনা শেলেপ মাঙবগী লম্বেলদা পুশিল্লি। মসি থোক্তনবা মখাগী ফিগর অসি খুদম অমা ওইনা য়েংবীবা য়াই।




মথক্তা পঞ্জরিবশিংসিদগী হেন্না অতোপ্পা কয়া খুদম ওইনা ইলেক্ট্রিক চার্জ, রিফ্রেসমেন্টনচিংবগী এক্সপেন্দিচরসু য়াওরক্কনি অদুনা অমত্তা চিথদনা শেনবা-থুম্বা তৌবা মথৌ তাই। শেল মশীং/মমল হোৎপদা ইশানা ৱাখলনা হেক্তা শাজিনবা য়াদে। কৈথেলদা চৎলগা হৌজিক হৌজিক পীনরিবা মার্কেট রেট খঙদোকপীরগা অঙ্ক হোৎপীগদবনি। চঙগদবা শেলশিংসি লোইনা তিনশিন্নরগা অপূনবা প্রোজেক্ট অদু পাঙথোকপদা মথৌ তাবা শেল অদু ফংলগনি। মতাং অসিদা লুরিবদি শেনফম অসি মতম অমত্তদা লোইনা হেক্তা চঙগদবা নত্তে। তাঙ্কক নাইনা চঙগদবনি। Project/Financial Management গী লোন্দাদা মসিবু Fixed Cost, Variable Cost, Working Capital হায়বনচিংবা কয়া অমদা খায়দোক্কনি। হায়রিবশিংসি আর্টিকল অসিদা নৈনবদি ওইথোক্তে। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি, কোলেজ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিংনা শিনবা Entrepreneurship Development Programme শিংদা শরুক য়াদুনা হেন্না লৌশিং তানশিনবা মথৌ তাই। Beauty Parlour গী খুদম অসিদা লৈরুরিবা চৌক্রি নৎত্রগা খূৎশু খূৎলায়শিংদু হেক্তা খুদক্তা লোইশিনগদবা নত্তে, অদুগা মী য়াম্না শম মচু শঙবা লাক্লবদি, শম মচু শংনবা হীদাক্তু থুনা লৌইখিগদৌরিবনি। মরম অদুনা হৈনা-শিংনা, করম্বা মতমদা করি পোৎ লৈগনি হায়বসিসু য়াম্না মুন্না খঙবা তঙাইফদে। নৎত্রগদি অয়াম্বা Micro-Enterprise শিংনা থেংনরিবা "ঐগী দুকানসে পোৎতি য়াম্না শিৎলি অদুগা মাঙলিব্রা, তোংলিব্রা হায়বদি খঙদে" হায়বসি তাদুনা তোক্কনি।

**৩) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা থবক্তু তৌগদবা মতম (Predifined Time Schedule) :**

মতম হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্তা চপ মান্ননা ফংবা, য়াম্না মরু ওইবা অমসুং অমুক হন্না হল্লক্লরোইদবা শকউদবা পোৎশক অমনি। Enterprise অমা নৎত্রগা মীওই অমনা মায় পাকপা হায়বসি মতম শীজিন্নবদা য়াম্না মখা পোল্লি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না মতমগী ভেল্যু খঙনা থবক পাঙথোক্লবদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। প্রোজেক্ট অমদসু 'মতম' হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। মতম মেনেজমেন্ট তৌবা হায়বসি মখল খুদিংমক্কী প্রোজেক্টতা হুন্দোকপা য়াদে। চঙখ্রিবা মতম অমদি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পাঙথোকখ্রিবা থবক, অনীসিগী মরী (Correlation) অসি খঙদোকপা য়াম্না মরু ওই। মতম মেনেজমেন্ট তৌবনা প্রোজেক্ট অমবু তৌগদবা থবক কয়াদা কায়থহল্লি। প্রোজেক্ট অমগী মনুংদা য়াওরিবা থবক থৌরমশিংদু কনা কনানা তৌগদগে অমদি মতম কয়া চঙগদগে হায়বসি পাথোকপদা মতেং পাংই। প্রোজেক্ট অমগী মতম মেনেজমেন্ট তৌবদা মখাগী থৌওং তরুক অসি শীজিন্নবা য়াই।

**১) প্রোজেক্ট প্লান অমা শেম্বা :**

প্লান্নিং হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা তঙাইফদবা অমা ওইবনা, প্রোজেক্ট অমদসু হেন্না মরু ওইবা শরুক অমা ওইরি। প্রোজেক্ট প্লান হায়বসি প্রোজেক্ট অমা করম্না হৌগদগে (execution), য়েংশিনগদগে (monitoring) অমদি লোইশিনগদগে (close) হায়বসি য়াওবা দোক্যুমেন্ট অদুবুনি নিংথিজনা অমদি মওং মরীল নাইনা শেম্লবা প্রোজেক্ট প্লান অমনা প্রোজেক্ট অদুবু মতম চানা লোইশিনবদা মতেং পাংই।

**২) প্রোজেক্ট সেদ্যুল্ড শেম্বা :**

প্রোজেক্ট সেদ্যুল্ড অমদা করি থবক, করম্বা মতমদা তৌগদগে হায়বসি শুগাইনা ইগদবনি। অসিদসু নত্তনা মসি ইচম চম্বা প্রোজেক্টতু পাঙথোকপদা চঙগদবা মীওইশিং অদুনা ইরায় লায়না খঙবা য়াবা অমসুং লায়না হেক্তা ফংবা য়াবা ওইগদবনি। মসি শেম্বদা enterprise অদুদা লৈরিবা রিছোর্সশিং (হ্যুমেন রিছোর্স য়াওনা) নৈনবা মথৌ তাই।

**৩) প্রোজেক্ট এক্টিভিটি খঙদোকপা :**

হান্নসু পঞ্জখ্রে মদুদি তৌগদৌরিবা প্রোজেক্ট অদুগী মনুংদা করি করি থবক (এক্টিভিটি) য়াওবগে হায়বসি অমত্তা চিৎথদনা খঙথোকপীগদবনি। লোয়ননা তশেংনা এক্টিভিটি অদু পাঙথোকপা তঙাইফদ্রব্রা হায়বসি য়েংগদবনি। মরমদি কান্নদবা এক্টিভিটি য়াওশিল্লক্লবদি মতম অমদি শেল হেন্না চঙগনি। তৌবতবু হৌজিক কান্দি চৎনবী অমা ওইনা থবক অমগা অমগা ইয়ান য়ানশিন্নরে। খুদম ওইনা টি ভি য়েংনা-য়েংনা চাক চাবা, ঈশৈ তানা-তানা লাইরিক পাবা, গাড়ী থৌরিঙৈদা মোবাইলদা ৱারী শাবা, মীটিং তৌরিঙৈদা ফেসবুক, ৱাটসএপ য়েংবা অসিনচিংবশিংসি পনবা য়াই। মসিগী অফবা (মতম শীজিন্নবদা) নৎত্রগা ফত্তবা কয়া লৈরগসু প্রোজেক্ট অমা মেনেজ তৌবদদি মসিসু মতেং খরদা মথৌ তাই। মসি মখাদা (নম্বর ৪) দা পঞ্জরি।

**৪) মরী লৈনবা থবক থৌওংশিং খঙদোকপা :**

প্রোজেক্ট অমদা তৌগদবা অমদি তৌদবা য়াদ্রবা এক্টিভিটিশিংদু খঙদোক্লবা মতুংদা এক্টিভিটিশিংসিগী মরক্তা করম করম্বা এক্টিভিটিশিং পুনশিল্লগা তৌবা য়াবগে হায়বসি খঙদোক্কদবনি। মসিনা মতম অমসুং পোৎচং নিংথিজনা শীজিন্নবদা মতেং পাংই। লোয়ননা করম্বা এক্টিভিটিনা অতোপ্পা করম্বা এক্টিভিটিদা মখা পোনবগে (dependent) হায়বা মুন্না খঙগদবনি। খুদম ওইনা য়ূম অমা শারকপদা মখোঙ য়ুংখৎত্রিঙৈদা য়ূমথক কূপ্পা য়াদে।

**৫) এক্টিভিটিশিংদু মথং মনাও (Sequence) নাইনা খাইদোকপা :**

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা 'প্রোজেক্ট এক্টিভিটি খঙদোকপা' অমসুং মরী লৈনবা থবক থৌওংশিং খঙদোকপা' অনীসি লোইরবা মতুংদা তৌগদবা থবকশিংদু মথং-মনাও (sequence) নাইনা থম্বীগদবনি। মসিনা থবকশিংদু তৌবদা লায়হনগনি অমদি মতম মাঙহল্লোই।

**৬) এক্টিভিটিশিংদু তৌবদা মতম কয়া চঙগদগে অমদি করি করি রিছোর্স চঙগদগে খঙদোকপা :**

হৌজিক মথং মনাও নাইবা এক্টিভিটিশিংদু পাঙথোকপদা মতম কয়া য়াম্না চঙগদগে হায়বসি হান্না তৌখিবা ওইরগনা এক্সপরিএন্সকী মতুংইন্না নৎত্রগনা ৱাখলনা শাদুনা লেপথোক্কদবনি।

Network Analysis in Project Management হায়বা টোপিক অসিদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিংসি শুগাইনা পাবা ফংবীগনি। মতম খঙদোকপদসু নত্তনা এক্টিভিটিশিংদু পাঙথোকপদা করি করি মচাক-মথুম চঙগদগে হায়বসিসু মতাং অসিদা খঙদোক্কনি। মচাক-মথুমশিংসিসু এক্টিভিটি খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান্না খাইদোক্কনি অমসুং চঙগদবা চাং লেপকনি।

হৌজিক প্রোজেক্ট অমগী ৱাহন্থোক্তা য়াওরিবা মচাক অহুম অদু মথং মনাও নাইনা নৈনজখ্রে। পাবীরিবা অদোম্না আর্টিকল অসি খরা কান্নে খনবীরবদি মরুপ-মপাং, খঙন-চান্নবশিংদা স্যের তৌবীয়ু মখা তাবা আর্টিকলগীমক মথংগী য়ূমশকৈশা ঙাইমিন্নরসি। ময়াম্বু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কদাইদনো অমদি পুমহো হোরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৌশিং লৈবা মীশিংদি করিগুম্বদা ৱায়াম ঙাঙদে। ঙমগদবা থবক ওইরগা ঙমগনি, ঙমলোইদবা লৈরগনা ঙল্লোই হায়বগী থৌনা লৈ। অচুম অরান মমুৎ তানা খঙলবা তুংদা মশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্কনি। তৌগদবা থবক খুদিংমক মচা খায়না মখা থাবশিংদা শীন্নবা ঙমগদবনি লোয়ননা মতমগী মমলসু নিংথিনা খঙগদবনি। সী এম, কেবিনেট মিনিষ্টর, আই এ এস, আই পি এস নৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লো মেকরদগী হৌরগা কোলেজগী প্রিন্সিপালশিং, প্রোফেসরশিং, লেকচররশিং, স্কুলগী হেদ মাষ্টরদগী হৌরগা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরিবশিং লোয়ননা দিপার্টমেন্ট খুদিংগী মকোক ওইরিবা ওফিসরশিংনা মাগী মাগী মথৌশিং নিংথিনা তৌরবদি কৈদৌঙৈ পেন্দবগী ৱাকৎশিংগী মহুম শাদুনা লৈরিবসি শাফম থোক্তে। খূৎশেমনা থোকহনবা পেন্নদবগী ৱাকৎ ময়াম্না ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরদা কোক শাহল্লিবসিগী হৌরকফম মরূদি লৈঙাকপা হৈতবা লো মেকরশিংননি হায়বদা মখোয় মখোয়সু য়ানরবনি। কদাইৱাইদগী হৌরকখিবনো-করম কান্দা লোইখিগনি হায়বা খঙদবা ৱাথোক মচা, অচৌবা ময়াম্না লৈঙাক অসিদা নোংম কাংদনা চৈথেং পীরিবসি লুচিংবা হৈতবা অঙম্বা ময়াম্না লৈঙাক শক্তি পায়রুবদগীনি হায়বা তাবনি। চৈনা ফাওসনু-মৈনি খঙনা পায়দুনা শান্নরুবগী মহয়নি, পোকপা তাবনি।

কয়াদা য়ামখ্রবা লোইশিনবা নাইদ্রবা ৱাথোকশিংনো? অঙাংগী ৱাথোক, নহারোলগী ৱাথোক, নুপীগী ৱাথোক, মহৈরোয়শিংগী ৱাথোক, লমগী ৱাথোক, দ্রগকী ৱাথোক, হায়ৱেগী ৱাথোক, বোর্দরগী ৱাথোক নৎত্রগা থাবদা ৱাৎলিবা ৱাথোক কয়াগী ৱাকৎ ময়াম ময়ামসিনা লুচিংবশিংগী কোক্তা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং নাইদনা সুম খঞ্জিন্দুনা লৈরগবু করম্বা অফবা ৱাখল্লোন শুংলকপা ঙম্ফম থোকপগে? ওন্থোকপা তানফম হায়দুনি, ঙাঙলে চীন থিবা তাবা, ঙাঙদ্রে খঙশিন্নদনা তুমিন লৈখ্রে হায়বা, নূং অনীগী মরক্তা হা ওইরিসিদি কনানসু খঙবীরল্লোই। পূম্নমক্কী মথক্তা মখোয়বু ঙম্বা অঙম্বশিংগী য়াকাসু ইন্দবা য়াদবা হায়বসু লৈরমগনি। কয়াদা লুখ্রবা লুচিংবা শাবশিংগী পুন্সি মহিংনো, খন্থরুরবদি খুদিংমক নুংঙাইফম লৈতবা জাৎনি।

মীশি মীনাগী ৱাথোকশিং অচুম্বশিংদি খঙবীরমগনি অদুবু হায়দোকপীদ্রে। দ্রগ ফাবগী কেসকী ৱাথোক্কী মরমদসু হেন্দে দাক্না খঙবীরমগনি। কোর্টনা থাদোকখ্রবনিনা শাফখ্রে। লাওরিবা, খোংলিবা, তল্ল-কান্দা তোকচখিনি, য়ারিমখৈ চীন কাঙখিদ্রে। ফোঙ-ফোঙ শারিবা কৌব্রু চীংগী মওং তাদ্রবা ৱাথোক ঙল্লিঙৈদা লৈঙাক্কী অচুম্বা ফিরেপ লাউথোকহৌদ্রে। লৈঙাক পায়রগা করিবু য়েংদুনা লৈরিবনো - মীয়ামগী ফিরেপ ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী ফিরেপ্তুনি মীয়াম্না পাল্লিবসি। মীয়াম্না কাঙলূপ নাইনা খৎনরগা লৈঙাক্কী মায় পুরক্কনি খনবীগুমসি। লুচিংবগী তৌফম থোকপদুদি মতম লৌদুনা লৈবীগনু।

মতম খুদিং মীয়াম্না থম্মোয় খুতুম্না শুনুনতা তোকখিবা ৱাকৎ ইহৌশিংগী মশীং লমদমসিদদি মশীং থিঙমদ্রবনি। তাবীনবা লৈনা লৈনা তাবীখিদবগী ৱাতনি নৎত্রগা থম্মোয় শেংনা প্রজাবু নুংশিবীদবনি হায়রসু য়ারে। লুচিংবা ওইরি হায়দুনা থবক থৌরম কয়া মথং মথং মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না লাউজরবসু মীয়াম্নদি ইয়া য়ানীংনদ্রিবসি মরম লৈরমগনি। য়ারিমখৈ ৱা ঙাঙদবনা ফরে খনব্রা হায়বসু নত্তবদা মরক মরক্তা ঙাঙথোরকপা লো মেকরশিংগী ৱাহৈ অমদা মীয়াম চিন মেন্দুনা নোক্নরিবসিসু দিসিপ্লিন ৱাৎপনি হায়দু তারে।

খঙদ্রে, চাওখৎ লমজেলদা মাঙ থাসি হায়নরগা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবদা মাঙ থাবা, দ্রগ য়োনবা, চাবা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট হেক্তা মওইবা, খঙদ্রে কদায়দনো অমদি পুমহো হোরি। মেনবসু ঙমদ্রি। মরমসু খঙফাত্রিবসি মীয়াম য়াওনা মাস এৱ্যের্নেস তৌথোক্কবদি ফগদবা মান্দ্রে।

*অদোমগী - লাই বিমোল, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## কোভিদ-১৯গী লান্থেংদা ভেক্সিন অমসুং মাস্ক

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা ৱুহান সিটিদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী অনাবা লৈরকপদগী মফম কয়াদা শন্দোরকখিবা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা পান্থেশিংগী মনুংদা ভেক্সিন কাপ্পা অমসুং মাস্ক উপ্পসিসু অমনি। ভেক্সিন কাপ্পগী থবক্তি হৌজিক মালেমগী ওইনা মফম কয়াদা য়াম্না কন্না চথুরি। লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগীদমক মালেমগী অহানবা পুথোকখিবা ভেক্সিননদি Sputnik-V নি। মসি রসিয়ানা শাবা অমদি পুথোকপনি। প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিনগী মচানুপীদা ফাওবা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি তোঙান-তোঙানবা কম্পনিশিংনা পুথোকপা মখল কয়াগী ভেক্সিন লৈরি। ভেক্সিনশিং অসি কাপ্পসু হৌনরে।

ইন্দিয়াগী ওইনসু কোভিসিল্ড অমসুং কোভাক্সিন ভেক্সিন অনী অসি ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীদুনা এপ্রিল ৪ ফাওবদা সেসন ১১,৯৯,১২৫গী খূথাংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন দোজ ৭,৫৯,৭৯,৬৫১ কাপখ্রে। অহানবদা হেল্থক্যের ৱার্কর, ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, অনীশুবা চহী ৬০ হেল্লবা মীশিং অমসুং লায়না লৈবা চহী ৪৫ অমদি ৪৫গী মথক্তা লৈবশিং অহুমশুবদনা হৌজিক চহী ৪৫বু শুরবদি নুপা নুপী খাক্তনা লোইনা ভেক্সিন কাপ্পগী অয়াবা পীরে। মণিপুরগী ওইনসু এপ্রিল তাং ৩ ফাওবদা মী ৮৭,৬৪১দি ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। মীয়াম্নদি ভেক্সিন কাপ্পগী থবক্তা থৱায় ইয়াও-য়াওশিন্নদবগুম তৌরি। মসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। ফরে খঙলবা ভেক্সিননদি শোয়দনা কাপফম থোকপনি।

ভেক্সিন কাপ্পখক্তসু নত্তনা মাস্ক উপ্পনসু কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং চাদা ৯৬ থিংবা ঙম্মী হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মরোল নাইবা মাস্ক নিংথিনা উপ্পা মতমদা মী অমদগী থোরক্কদবা পার্টিকলশিং চাদা ৮৪গী চাং থিংবা ঙম্মী। মীওই অনী ওনশিন্নদুনা ৱারী শারবসু, মরোল য়াম্না নাইবা অফবা মখলগী মাস্ক নিংথিনা উপ্পবদি চাদা ৯৬ কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোর্জিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী থিজিনবশিং য়াওনা সাইন্টিষ্টশিংনা হায়খি হায়বসি পাউচেদা থেংনজরে। মসিদা উপকদবা মাস্ক অসি ইচম-চম্বা অমা হেক্তা ওইবদি নৎত্রি। অফবা মেটরিএলশিংনা শাবা মাস্ক ওইগদবনি। চেকশিন্না নিংথিনা উপকদবনি।

সাইন্টিষ্টশিংনা চথখিবা ষ্টদি অদুদা মার্কেটতা ফংবা মেটরিএল ৩৩ টেষ্ট তৌখি। উপননবা মাস্ক শেম-শাবদা চঙগদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা কত্তন অমসুং পোলিষ্টরগী ফিশিং য়াওখি। মাস্ক শাবদা চঙগদবা পোৎচাকশিং অসিগী অফ-ফত্ত খেন্নবগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপগী চাংসু লেপকদৌরিবনি। শম্না হায়রবদা মরোল নাইবা অফবা মখলগী মাস্ক নিংথিনা উপ্লবদি লাইচৎ ওইরিবা কোভিদ-১৯ অসি ঙাকথোকপদা য়াম্না মতেং ওইগনি হায়বনি। চথখিবা ষ্টদি অদুনা তাক্লিবদি মাস্ক শাবদা চঙগদবা পোৎচাক অদুগী ক্বালিটি অমসুং মরোল মশীংগী মখা পোন্না ভাইরস অসি চঙবগী চাং খেন্নৈ। হায়বদি মরোল নাইদবা মাস্ক উপ্লগদি ভাইরস হেন্না লৌনরক্কনি। ভাইরসনা চঙবা ঙমগনি।

কোভিদকী লাইচৎ অসি ইন্দিয়াদা হৌখিবা দিসেম্বর অমসুং জন্যুৱারী থাদা পোজিটিভ ওইবা মশীং হন্থরুরবসু সেকেন্দ ৱেভ লাকপদগী অমুক হেনগৎপা হৌরক্লি। চহীসিগী রেকোর্দ ওইনা ইনিদয়াদা পোজিটিভ ওইবসি এপ্রিল ৫দসু ১,০৩,৫৫৮ রোম ওইদুনা নোংমদা লাখ-লাখকী মথক্তা পোজিটিভ ওইবা হেনগৎলক্লি। হৌখিবা এপ্রিল ৩গী অয়ূক পুং ৮দগীনা এপ্রিল ৪গী অয়ূক পুং ৮ ফাওবদা নৌনা মীশিং ৫১৩ শিখিবগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদা মীওই ৪৬৯ শিখিবনি। মহারাষ্ট্রদি শিবদসু, পোজিটিভ ওইবদসু হেগৎলি। মরমসিনা কোভিদ-১৯ লান্থেংদা ঐখোয়না ভেক্সিন কাপ্পা য়াওনা এস ও পি ঙাকপা অমদি মরোল নাইবা মাস্ক নিংথিনা উপ্পসি।

*অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III**

**Ref :- Mut. Case No. 117/AS & SO III Dt. 17/4/2021**

Mavatmi Awungshi S/o Johnson Awungshi Kangoi Village at present Luwangsangbam - Petitioner

-Vrs-

Late Johnson Awungshi S/o (L) A.S. Thuingaleng of Kangoi Village at present Koirengei. - O.P.

**/ NOTICE**

Imphal, 20/4/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ১-লুৱাংশংবম পাট্টা নং (১) ২৭/অং (অরিবা) ৪১/৯৪০ (অনৌবা) দাগ নং ১০২৫/১৯২৫, (২) ২৭/অং (অরিবা) ৯৩৯/৯৪১ (অনৌবা) দাগ নং ১৯২৫/১৯২৮, (৩) ২৭/অং (অরিবা) ৪১/৯৪২ (অনৌবা) দাগ নং ১০২৫/১৯২৯ এরিয়া (১) ০.২২ একর, (২) .০৪৫ একর, (৩) .১২৫ একর চাওবা ইখোলশিং অসিগী পাট্টাদার অসি Johnson Awungshi মৃত ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদার অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা ২৯/৪/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেগা লোয়ননা (ওবজেক্সন) আপতি তৌবীরবা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চখজরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer III, Lamphelpat, Manipur**

HL-P/9662/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 332/SDC/IW -L/2021**

Oinam (O) Konthoujam Bimola Devi W/o. (L) Nimaichand Singh of Mayanglangjing Taning ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Oinam Nimaichand Singh S/o. Kerani Singh of Mayanglangjing ...O.P. Party

**/ NOTICE**

19/04/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার ওইনাম নিমাইচান্দ সিংহ পীতা মৃ: কেরানি সিংহ, সাং ময়াংলাংজিংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৬০২, দাগ নং ১৪৯, এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক .১৫ চাউবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
IW:Lamsang

HL-P/9667/21

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।